হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মার্চ২১, ২০১৯, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৩৫৪শুবা মশীং

# য়াওশঙ কুম্মৈগী হোংলক্লিবা মওং

## *মীপূম তিংনা ৱাখল তামিন্নবগী মথৌ তারে*

শোয়ফদ্রবা মতমগী খোঙচৎ মতুং ইন্না লমতাগী ১৫নি পানবদা চহী খূদিংগী হেক-হেক পাঙথোকপা য়াওশঙ কুম্মৈ থুংলরে। মীওই অয়াম্বা পূন্সিগী তঙাইফদবা থৌদাং ফাওবা কাউথোক্লদুনা নুমিৎ ৪/৫ নিদি কুম্মৈ অসিদা লুপখ্রগনি। চহী লোইবা অমসুং অনৌবা চহী হৌবগী থৌরমদা হরাও-মথোই কান্নখিবা ইকুই-কুইদ্রিঙৈগী মতুংদা খঙহৌদনা য়াওশঙ অমুক থুংলরে। কাঙলূপ কয়ানা খুন্দামিন্নবা লমদম ওইবনা মাগী-মাগী লাইনিং অমসুং চৎনবী মতুংইন্না হরাও-কুম্মৈগী থৌরম পাঙথোক্নবা মথৌ তাই হায়জরগসু মণিপুরদা পাঙথোক্লিবা হরাও-কুম্মৈগী মশীং অসুক্কী মতীক য়ামখ্রে। দিসেম্বর ৩১ দা অরিবা চহী লোইবা নুমিৎনি হায়দুনা অহিং চুপ্পা লাঙনৈ। নোংঙাল্লগা জন্যুৱারী ১ দনা অনৌবা চহী হৌবা নুমিৎনি হায়দুনা মীপূম তিংনা হরাওনৈ অমসুং চাক চান্নৈ। কনাগুম্বনা পিকনিক নৎত্রগা কোয়বা চৎনৈ। য়াওশঙ কুম্মৈ অসিসু নুমিৎ মঙানিদগী হেন্দোক্তুনা নুমিৎ ফনা য়াম্না চোন্থরবা ফাওবা লৈশাবীশিংগী, মৌশিংগী অমসুং পাখংশিংগী হায়দুনা তোঙান-তোঙান্না চাকচা-হৈজানবা, ঈশৈ-নোংমাই অমদি লীলানচিংবা থৌরমশিং পাঙথোক্কে। হিন্দু লাইনিং চৎপশিংগী কুম্মৈনি হায়জরগসু য়াওশঙদা লাইনিং খূদিংমক্কী মীওইশিং য়াওশিনবগী মওং অমা উবা ফংলি। কুম্মৈ অসিগী মনুং চন্না য়াওশঙ মৈ থারবা মতুংদা পীক্লিবা অঙাংশিংনা য়ূমথোঙ খূদিং নাক্কথেং চৎপদা থোইদোক্না অকায়বা লৈতে হায়না লৌরগসু মৌনহাদগী হৌরগা অহল ওইরবা মীওইশিং ফাওবনা নুমিৎ মঙানি চুপ্না খঙনবা-খঙনদবা থিদনা য়ূমথোঙ খূদিং শেল খায়বা চৎপগী থৌওং অমা চত্থরক্লে। হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা কুম্মৈ অসি পাঙথোকপগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক কয়া লৈজরগসু মণিপুরদদি মরম ইরৈ-লৈতনা হরাও-কুম্মৈ অমনি হায়বগী মওংদা মানা-মানা পাম্বা মওংদা কা-হেন্না লাঙথোকপরোমদা ওইনা চত্থরকপগুম তৌরি।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম, অমসুং মপান লৈবাক্তা চোইনা খুন্দাখ্রবা ইন্দিয়াগী হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওইশিংনা "হোলি" হায়না কুম্মৈ অসি পাঙথোক্লুগসু মণিপুরদদি য়াওশঙ হায়না খঙনৈ। হিন্দু লাইনিংগা খরা হেন্না নকশিন্ননা অমসুং খ্বাইদগী চাউবা মওংদা পাঙথোক্লিবনা উত্তর প্রদেশকী মথুরা মনাক্তা লৈবা বর্সনা টাউনদনি। তোঙান-তোঙানবা মফমদা লাইনিংগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা কুম্মৈ অসি মণিপুরদদি পুমতোপ-তোপ্পা মওং অমদা কা-হেঞ্জিন্না ঈথক-ঈরাং লোমদা ওইনা চত্থরকপগুম তৌরি। য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা চোংলিবা থাবলসু লমদমসিগী নাৎকা মরী লৈনরম্ববুদি য়াই হায়ববু কান্নদবদা কা-হেন্না ঈথক-ঈরাং তৌবনি হায়না লৌবদা থোইদোক্না লানগদবা মান্দ্রে। থাবল চোংবা হায়বসি মীতৈ/মৈতৈ খুন্নাইগী নাৎকা মরী লৈনবা থৌওং অমা ওইবা তারবদি য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈনফম থোক্তবরা খল্লি। মরমদি থাইনা মমাঙঙৈ, লাই হাক্তক্তগী লমদমসিদা থাবল চোংবগী চৎনবী লৈরক্লে হায়রগসু য়াওশঙ হায়বসিদি লমদমসিগী ওইজবা কুম্মৈ নৎতে। মণিপুরদা হিন্দু লাইনিং চঙলকখ্রবা মতুংদা য়াওশঙ কুম্মৈ পাঙথোকপা হৌরকখিবনি। মরম অদুনা য়াওশঙ মতমদা লৈকাই খূদিংগী থাবল চোংনরিবসি মপান্দগী চঙলকপা লাইনিংগী চৎনবীনা লমদমসিগী ফজরবা নাৎকী শক্তম পূম্নমক তপ্না-তপ্না য়োৎশিনখিবনি হায়না লৌবা য়াই। অকক্নবা কাঙলূপ অমগী লাইনিংদা অমসুং লাইনিংগা মরী লৈনবা কুম্মৈ পাঙথোকপদা থোইদোক্না য়ানিংদবগী ৱাফম লৈতে। অদুম ওইনমক লাইনিংগী মিংদা তাঙলবা নুমিৎ মঙানিগী মতম অরেম্বদা মাঙহল্লিবসি অচুম্বা থৌওংলা হায়বদু খন্থমিন্নবা মতম ওইরে। তঙাইফদনা লাইনিংগী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্না পাঙথোক্তবা য়াদে হায়রগসু য়ারিবমখে খুন্নাইদা অমসুং অতোপ্পা লাইনিং চৎপা মীওইদা অকায়বা পীদনবা হোৎনফম থোকই। হৌজিক-হৌজিক সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস ত্বেল্‌ভকী এগজাম লোইদবা মহৈরোয় কয়ামরুম লৈরি। মসিগীসু মথক্তা লৈকাই খূদিংগী য়াওশঙ মৈ থাবদা উ-ৱা, চন্দ্র কয়া অরেম্বদা মাঙহল্লিবা অমদি মসিনা অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎতা শোকহল্লক্লিবা পূম্নমক খন্থমিন্নবা চুম্মী। লৈকাই খূদিংগী চোংনরক্কদবা থাবলগী মখোলনা এগজাম থাগদবা মহৈরোয়শিং অমসুং ঈংনা-চিক্না পোত্থাজনিংবা অহল-লমনশিংদা পীগদবা চৈথেং অদুগী মতাংদসু খন্থবা মতম ওইরে।

### •••  এদিটরদা থারকপা চিঠি  •••

## হৌজিক মতমগী য়াওশঙ

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

*মমাঙঙৈদদি* য়াওশঙ মতম মনুংদা পূক্নিং হকচাং অসি হরাউ মথোই কাদুনা ওন্থোক্না নুংঙাইরমই। মতম ফরমই, মী-পোং ফরমই, পোৎ-চৈ হোঙলমই অমসুং থবক-ইনখাংসু পংকোম কোম্নরকই। অঙাং ওইরিঙৈদা উখিবা কেরোসিনগী পেত্রোমেক্স নৎত্রগা হাফ-লেন্টর্ন থান্দুনা বাঁসি অমসুং ধুলোক অনীগী চানরবা ঈংলবা খোঞ্জেলদা লৈশা-পাখঙশিংনা থাবল চোংবদু হৌজিকসু মীৎনা শংশং উরি। ঙসি-ঙরাং চত্থনরক্লিবা য়াওশঙগী কৈদা-লক্তা অসিদি করিবু হায়গদবনো ৱাখল-বুদ্ধিবু ইথোক থোক্তে। হান্না য়াওশঙ কুম্মৈ হায়নরম্বদগী য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিবেল হায়না খঙনরক্তুনা মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা ঐখোয় মীতৈগী হৌরক খুন্থোক্লোনগী থৌরম অসিদা অবের তৈনবা, পিচকারি কাপশিন্নবা, নাক্কা-থেং চৎপা, লম্বীদা থৌরি তিংদুনা শেল মুনবা, তোংলকপা গাড়ীশিংগী ছো মুনবা অসিনচিংবা হান্নগী অমসুং নৌনা চৎনশিল্লকপা মতমগা চুনদ্রবা মরিং-মরাংবা থৌওংশিংবু তপ্না তপ্না হন্থহন্নবা অমসুং শান্ন-খোৎনববু য়োকখৎপা ওইনা য়াওশঙগী কুম্মৈ-ফিয়োং অসি খরা হেন্না অমুক পাক চাউথোকহল্লি। লৈঙাক্না ফাওবা মতম কক্না ষ্টেট হোলিদে লাউথোক্লিবনি।

অদুম ওইনমক মতমগা চুনদ্রবা থৌওংশিং অসি মফম খরদা খরা খরদি অদুম চত্থরি। মসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চৎথোক-চৎশিন্দা, পোৎ-চৈ য়োন্থোক-য়োনশিন, লৈথোক-লৈশিন তৌবদা খুদোংচাদবা পীবদা নত্তনা করিসু নত্তবদা অমগা-অমগা খৎন-চৈনবা, শাউনবা অমসুং য়েংথিনবা পোকহল্লি। য়াম্না নাতৈ-পুতৈ চাদবা থৌওং অমনা য়ং-য়ং লাওনা চত্থোক-চৎশিন তৌরিবা লম্বীদা গাড়ী পার্কিং ওইশিনবগুম, লম্বীদা অহিং অথেংবা ফাওবা থাবল চোংবগী অয়াবা পীদুনা চোঙহল্লিবসিনি। করিগুম্বা খুজিন্থোক-খুনান্থোক্তগী মমায় ঙাওনা থৌরকপা অচৌবা গাড়ী অমা অশোয়বা অমদগী লম্বীনি খন্দুনা থৌজিল্লক্লবদি মদুদা থোকপা মীশি-মীনা, অশোক-অপনশিং অদু য়াওশঙ ফেষ্টিবেলনি করিসু অকায়বা লৈতে হায়গদৌরিব্রা? গাড়ী ড্রাইভর অদুসু খোইশাওনরবা মীয়াম্না হাৎপা-তুপ্পা, মোব লিঞ্চিং তৌবা য়ারিবনি। অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোক অসিগী তেকচাক অদু লম্বীদা থাবল চোংবা শীল্লিবা মীওই কাঙবু অমসুং লৈঙাক্না পুক্ষম থোকই। খুদম হায়ববু হন্দক্তা পঞ্জাবতা রেলৱে ত্রেক ময়া নক্না রাম লীলা পাঙথোকপদা খঙহৌদনা ত্রেন অমা থৌজিল্লকপদগী ত্রেন টালিদা লৈরিবা অমসুং লান্থোক-লানশিন তৌরিবা মীশিংগী মরক্তা অশোক-অপন, অশি-অনা কয়া থোক্তুনা অচৌবা লৈবাক ৱাথোক ওইনখ্রিবদুনি।

য়াওশঙগী থৌরমদা স্পোর্টস কলচর অমা য়াওরিবসি য়াম্না অফবা শরুক অমা ওইরগসু মওং তানা, চৎন-কাঙলোন য়াওবা সিষ্টেম অমা ইয়াও য়াওবা উদবদগী মথোং-মরম ইখঙ খঙদে। লোকল ক্লবশিংনা শীল্লগা পাঙথোকপা মরাথোন লমজেলনা অহৌবা মাইক্রোফোন, লাউদ স্পিকর অমদি মখল মখলগী গাড়ীশিং শীজিন্নদুনা লম্বী সরকশিং অসি পুমনিল-নিল, পূন্নাং লাং তৌদুনা চৎথোক-চৎশিন্দা য়াম্না খুদোংচাহন্দে। অমরোমদা মণিপুরগী মরু ওইবা ইম্ফাল ময়োলদা ফ্লাই ওভরনচিংবা শাজিন্দুনা মরাথোন লমজেল চেনবদা খুদোংচাহন্দে। লম্বীগী পাক-চাউবা অমসুং ত্রাফিক সিষ্টেম মতিক চাদবনা মায়কৈ কয়াদগী মরাথোন লমজেল চেন্নরকপদা লম্বীদা প্রোব্লেম কয়া থোক্লিবদুনি। অমনা চাং নাইনা প্রেক্টিশ শুংতৌ তৌদনা নহা-অহল কয়ানা মরাথোন লমজেলনি হায়দুনা হেক্তা য়াওশিন্দুনা নোং মরক্তা, নুংশা মরক্তা, উফুল-ৱাইফুলনা থল্লবা পোল্ল্যুটেদ এয়র হোঞ্জিন্দুনা চিল্লবা গাড়ীশিং মরক্তা, অহো-অরাক, অকুৎ-অতোং নাইরিবা অমসুং অমোৎ-অকায় তারিবা কোয়লাস লম্বীশিংদা লমজেল চেল্লিবনি। মরক অসিদা ফৈ-ফত্তে খঙদবা ঈশিং পালটিন লমজেল্লোয়শিংগী মশাদা, হকচাংদা হৈজিনবীবসু য়াওরিবনি। মতিক চাবা মেদিকেল ষ্টাফ অমসুং খূৎশু-খূৎলায় য়াওবা এম্বুলেন্স গাড়ী কয়া য়াওবসু থেংনদে।

শান্নরোয়শিংগী মশা-মশাগী অপাম্বা মশান্না লোইনা খেন্নৈ। লৈকায় লৈকায়দা অসিগুম্বা শান্নরোয়শিং অসি মশীং য়াম্না লৈবা থোক্লবদি লমহাং-তুমহাং শান্নফম লম্পাক লৈতবা লৈকায় অদুগীদি অপিকপা কম্যুনিতি হোল লৈজরগসু মখোয়না পামজবা গেমশিং অদু নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা জগোয় ঈশৈনচিংবা অতৈ প্রোগ্রাম মরক্তা করম্না মপূং ফানা ভেল্যু লৈনা পাঙথোকপা ঙমগনি। য়াওশঙ কুম্মৈগী ওইনা ঙাইহাক থোরক্তুনা পংশান শান্নবা ওইরগদি করি কান্নগনি। য়াওশঙ লোইখিবগা অদুম থুপচিনখ্রগনি। মখা তানা শান্নরোয়শিং অদুবু তাকপী-তম্বীনবা কনাসু লৈরোই। মসিনা ৱাহন্থোক য়াওদবা মীতৈগী য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিবেল ওইনা উখিনি। মচি-মচিদা পাঙথোকপগী মহুত্তা পূন্না খুমন লম্পাক নৎত্রগা মপান কাংজৈবুংদা লৈঙাক্কী য়াস দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা মনা-মথুম চাউনা পীদুনা পাঙথোক্লবদি য়াওশঙ ফেষ্টিবেল অসি মচু নিংথিনা থোক্কনি। অরোইবদা শেলনা দোনেসন ওইনা পীবগী মহুত্তা মণিপুর লৈঙাক্না চানগদবা য়াওশঙগী পোলিসি প্রোগ্রাম অমা চহী খুদিংগী শেম্বীদুনা ফেষ্টিবেল অসিবু মশক-মচু থোকহনবীয়ু অমসুং মমল য়ান্নবা নুমিৎ ৫নি অসি অরেম্বদা মাঙহনবীগনু হায়দুনা নোল্লুক্না হায়জরি।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি, সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

# অচম্বা ৱারেপ অমগী ময়াই

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

*অহৌবমক্তদা* পাবিরিবা ময়ামদা ৱাহং অমত্তা হংজগে। অদোমগী পুন্সিদা করিগুম্বা মতমদা ইশাগী ওইবা 'অরুবা ৱারেপ' অমা লৌবা য়াওবীখ্রবরা? ইচম চম্বা ৱারেপ নত্তবা, তশেংনমক অহকপা। ৱারেপ্পুনা মরম ওইরগা ইশাগী পুন্সি অদুদা অওনবা অমা ওইহনখিবা, অহোংবা অমা লাকহনখিবা। হায়বদি, ৱারেপ্পুগী মতুংদা নুংঙাইবা-য়াইফবা ওইরকপা নৎত্রগ খম থেংনা নীংবা কায়বা, অৱাবা অমা মায়োক্নরকপা। করিগুম্বা অদোম্না অশেংবা ৱারেপ অমা লৌখিরম্বা থোক্লবা, অদোমগী পুন্সি অদুদা 'অৱাবা নৎত্রগা নুংঙাইবা'/'অফবা নৎত্রগা ফত্তবা' অনীসিগী মরক্তা অমা ওইবা শোয়দ্রবনি। নৎত্রবদি খনবীয়ু - অদোম ৱারেপ লৌখিদ্রি।

ৱাফম অসি অদোম্না নহানমখে খল্লুদবা ৱাফম অমা ওইরমগনি শোয়দনা। মরমদি ৱারেপ লৌবা হায়বসি মী অমনা তরাইনা হেক ঙম্বা থবক অমা নত্তে। মীওইবগী থোইদোকপা গুন অমনি। ইমুং অমদা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা অমখক্তনি য়াওরিবা। অমদুফাও লৈতবা, অতোপ্পা মীগী মৱা তারগা, মীৱানা ৱারেপ ওইবা ইমুং কয়া'মসু লৈরিবনি। খঙবীয়ু - অদুগুম্বা ইমুংদু মহী লাংবা শোয়দ্রবনি। মচিন-মনাও, মমা-মচা, মতৈ-মনাও নুংশিনদবা। খৎনগনবা, উংখৎনবা, তোখায়-তোখায় মচেৎ তাবা। মচিন-মনাও শম্বল খানরগা য়ূমলোন্নবগা চান্নরবা - খনবীয়ু, মরম অমা লৈরবনি। লৈঙাক্কী নৎত্রগা লন্নাইগী ওফিস অমা চলাইবসু, মায় পাকপা নৎত্রগা পাক্তবা, ওফিসতুগী কোক্লেন ওইবা মীশক্তুনা লৌবা ৱারেপ অদুগী মখা পোনবনি।

ৱারেপ লৌবা/দিসিজন মেকিংগী গুন অসি মী খুদিংমক্তা চেন্দে। চাম্মগী মনুংদা অমত্তনি চেল্লমগদবা। দিসিজন মেকিং- লুচিংবশিংগী তাঙলবা 'লীদরসিপ ক্বালিটি' অমনি। অদুনা হায়নরল্লিবনি - লীদর্স আর বোর্ন, নোট মেদ' - লুচিংবা হায়বসি মশা মথন্তা ওইজরক্কদবনি, কনাগুম্বা অমনা শেম্বী-শাবীরক্কদবা নত্তে।

ঙসি পার্লিয়ামেন্টকী মীখল নকশিল্লকপসিদা ৱাফম অসি কন্না নীংশিংলকই। মীয়ামদা কন্না হায়নীংলকই - ঐখোয় ৱারেপ লৌবা তল্লসি। মীনা ইনশিনবা চত্তবা, মীগী মীৱা লৌদবা, ইশানা ফৈ খনবা থবক্তুদমক তৌবা তমসি - অতৈ থবক্তা নৎত্রসু ঐখোয় ময়ামগী মীহুৎ ওইনা চৎলগা লৈবাক্কী লৈঙাক-থৌশিল য়াওরুদৌরিবা মীশক অমখক খনবই মতাংসিদদি। চহী অনীগী মমাঙদা ঐখোয়না খনখিবা মীহুৎতুনা মণিপুর কৌবা পোলিটিকল-সেগমেন্ট অসি ঙাক্নবা, লৈকায় হুম্ফুদগী মীহুৎ হুম্ফুখক খনখিবগী মীখলনি। হন্দক্কী মীখল অসিনা, মীহুৎ হুম্ফুমক্তুগী অসুপ্পা মীহুৎ অনীখক খনগৎলগা, মণিপুর কৌবা লমসিবুসু ঙাক্কদৌরিবা 'লৈঙাক থৌশিল' অমা শেম্বদা শরুক য়ারুনবা খনগৎনবা মীখলনি। করম্বা পার্টিগী করম্বা মীরেপ্পা নৎত্রগা মীরেপ ময়ামসিগী মরক্তগী করম্বা মীশক্না খ্বাইদই হেন্না মতিক চাবা মীহুৎ অমা ওইগদগে? হায়বা ৱারেপ অমা অদোম্না লন্নাই লৌগদৌরি। অদোম্না লৌগদৌরিবা, ঐনসু লৌগদৌরিবা, নুপী অমসুং ইচাশিংনসু লৌগদৌরিবা ৱারেপ অসি মান্নবসু য়াই, মান্নদবসু য়াই। মান্নবা নৎত্রগা মান্নদবা ৱারেপ ময়াম অদু পূনশিল্লগা খ্বাইদই য়াম্বা অদু খনগৎকদৌরিবনি। ঙসি ঐনা ইজরিবা ৱারেং অসিগী তাঙ্কক অসি য়ৌরকপা ফাওদদি বি জে পি অমদি কোংগ্রেস পার্টি অনীসিগীদি মাগী মাগী মীরেপ মমিং লাউথোক্ত্রি। হোয়, এন পি পি, এন পি এফ, এম পি পি অমদি কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া - মরিসিনদি লাউথোকখ্রে। অরোইবা ওইনা মীখল নুমিত্তা লম্বানগদৌরিবশিংদু কনা-কনানো হায়বা ঙমদ্রি। বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস - অমনা হান্না মীরেপ মমিং লাউথোকখিবা হানবা তান্নবা মাল্লি- মীয়ামসিনা ঙাঙনবনি। মীরেপ ওইনীংবশিংগী মমিংদি পরেং লেংদুনা লৈরবনি। অমা হেক্তা খনগৎলগা লাউথোকপা য়ারবা। ঐখোয়না খনগৎকদৌরিবনা অমখক্তা। কনাবু খনগদবনো? ৱারেপ অমা লৌবীয়ু।

নহাক, ঐহাক, মহাক, ঐখোয় পূম্নমক - ৱারেপ অমা লৌরমদাই তঙাইফদনা মায়োক্নরগদবা তানফম অমা লৈ। লম্বী লম্ফাং অমনা লেপ্পলগা, করম্বা লম্বীদা চৎলগা ঐনা য়ৌগে খনবা পন্থুং অদু য়ৌগদগে- খনফম খঙদবা অদুগুম্বনি। খঙবদি খঙই লম্ফাংনবা লম্বী ময়ামসিগী মনুংদা অমদি ঐনা য়ৌগে নীংলিবা পন্থুং অদু য়ৌগদবা লম্বীনি।

লৈপাক অমগী মরাইবক লেপখিবা মী অমগী ৱারেপ কয়া লৈখ্রে, মীওইবগী পুন্সিদা। স্বর্গ য়ৌনা চৎখিবা নৎত্রগা, নোরোক তম্না চৎখিবা। কুমজা ১৮২৯ বৃটিশ ইন্দিয়াগী গভর্ণর জেনরেল লোর্দ ৱিল্লিয়ম বেন্টিঙ্ককী ৱারেপ অমনা, মপুরোইবা কায়নরবী নুপী কয়াবু হাৎতোকপগী চৎনবী অমা মূত্থৎখি। মরায়বক থীরবী নুপী কয়াগী পুন্সি কনখি। অমত্তা ওইনা, নুংশিননা, পূন্না লৈমিন্নরম্বা ইন্দিয়াগী হিন্দু অমদি মুসলমান, মহম্মদ অলি জিন্নাহ'গী 'মুসলিমশিংগী তোখায়বা লৈপাক অমা শেমগদবনি' হায়বা ৱারেপ অদুনা মীওই লাক্ষ কয়াগী পুন্সি মাঙখি, অতোপ্পা লাক্ষ কয়া অমবুনা ময়ূম-মকৈ লৈহনখিদে, পাকিস্তান অমদি ইন্দিয়া কৌবা মতম পূম্বগী ওইনা য়েংথীনরগদবা লৈপাক অনী শেমখি।

লৈপাক অসি অনী থোকখ্রবা মতুং, থোকখিবা মীশি-মীনা ময়ামদুনা নীংবা কায়হল্লবা মীওই কাঙলূপ অমগী অপূনবা লূপ অমনা, পূম্নমক্তু গান্ধিজিনা মুসলমানশিংবু নাউ-চাউহনবদই থোকপনি খন্দুনা 'গান্ধিবু হাৎনবা ৱারেপ' অমা লৌখি। নাথুরাম গোদসে কৌবা মীহাৎপা অমা থোরকহনখি।

বৃটিশ'না ইন্দিয়া থাদোক্লল্লবা মতুংদা নীংতম্বা লৈবাক অমুক ওইহল্লল্লবা মণিপুর, নম্ফু-হাফুবু ওইরবসু, ফম তারবা মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু 'মণিপুর ইন্দিয়াদা তিন্নবা' ৱারেপ অমা লৌহনখি। ৱারেপ্পুনা নিংথৌবু 'পুনশিন ৱারোল/ৱারেপ' অদুদা খূৎয়েক পীহনখি। নৌনা হঞ্জিল্লকপদা ঙায়রিবা 'নীংতম্বা মণিপুর', অতোপ্পা নীংতম্বা ফংবতা ঙায়রিবা লৈপাক অমগী অপিকপা শরুক অমা ওইরকখি।

সিখশিংগী শেংলবা লাইশঙ (সনাগী লাইশঙ) দা লান্মী থাজিন্নবা ৱারেপ ইন্দিরা গান্ধী'না লৌখি হায়বইদমক, ইন্দিরা গান্ধীবু হাৎনবা অতোপ্পা ৱারেপ অমা অমুক সিখশিংবু লৌহনখি। ইন্দিরা গান্ধী অমদি মরাল লৈজদবা সিখ লিশীং কয়াগী পুন্সি মাঙখি।

অদুগুম্বা অরুবা ৱারেপ নত্তবা, ইচম চম্বা ৱারেপ অমখক লৌবীয়ু- এপ্রিল ১১ অমদি ১৮দা -'কনামত্তগী ইথিল চঙদনা, ইরমদম্বু নুংশিবা, অফবা মীরেপ অমদা ঐগী ভোট পীগনি'। য়েংসি, মদুগী মতুং ইকুই কুইদনা লাক্কদবা অহোংবা অমদি অওনবদো।

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৬২

**- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -**

মে ২৭, ২০০৯ :- মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর এম দি ইস্লামুদ্দিনবু থা অসিগী ২৫দা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ কে ৱাই কে এলনা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংমক্তদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বা অদুগী মতুংদা ইমুং-মনুংদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মায়কৈদগী এক্স গ্রেসিয়া ওইনা লুপা লাক্ষ ১০/১০ (পূন্না ২০) গী শেনফম পীরগনি হায়খি।

মীহাৎ অদুদা চেন্নবশিং চপ চানা এক্সন লৌবা ঙম্নবগীদমক কেস অদু সী বি আইদা শিন্ননবা ষ্টেট কেবিনেটনা ঙসি ৱারেপ লৌখি।

ঙসি নুংথিল চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা প্রিসাইদ তৌদুনা মহাক্কী সেক্রেটরিএটকী কনফরেন্স হোলদা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, চীফ সেক্রেটরি রাকেস শর্ম্মা, দি জি পি জয়কুমার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর সার অমুবা, রেজিষ্টার লোকেন্দ্র, জে এ সী অমদি প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিনগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং পূন্না ফমিন্নদুনা মীফম পাঙথোকখি।

কেবিনেট মিনিষ্টর অমদগী ফংবা পাউদা য়ুনিভর্সিটিগী ওইনা প্রোফেসর অমনা খুদোংথীবা থৌদোক অমদা লৈখিদবা থোক্লবদি লুপা লাক্ষ ২০ ফাওবা এক্স গ্রেসিয়া পীবা ঙম্বগী প্রোভিজন লৈ। মদুগী মতুং ইন্না য়ুনিভর্সিটিগী মায়কৈদগী লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাক্ষ ১০গী শেনফম এক্স গ্রেসিয়া ওইনা পীনবা য়ুনিভর্সিটিগী মায়কৈদগী থল্লকখি। লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু চপ মান্নবা শেনফম লুপা লাক্ষ ১০ পীনবা লেপ্লখিবনি হায়রি।

মীহাৎ অদুদা চেন্নবশিং অদুগী মথক্তা চপ-চাবা এক্সন লৌনবা অমদি হেন্না ময়েক শেংনা থিগৎপা ঙম্নবগীদমক সী বি আইদা শিন্ননবা ঙসিগী মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

কেস অসি সী বি আইদা শিন্নবগী ৱারেপ লৌরবসু মদু সী বি আইনা তশেংনা লৌদ্রিঙৈ মমাঙদদি ষ্টেট পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন অদুমক চত্থগনি। মীহাৎ অদু সী বি আইদা শিন্নদুনা থিগৎহনবা হায়বসি জে এ সীগী দিমান্দদা য়াওবা ৱাফমনি হায়রি।

ইমুং-মনুংগী মায়কৈদগী মহাক্না হান্না লৈরম্বা থাক্তা অদুমক দাই-ইন-হার্নেসতা থবক অমা পীবিনবা দিমান্দ তৌই। প্রোফেসর ফেকলটি হায়বসি এ গ্রেদনি। য়ুনিভর্সিটিগী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্নদি কনাগুম্বা প্রোফেসর অমনা লৈখিদবদা দাই-ইন-হার্নেসতা চপ মান্নবা এ গ্রেদকী থবক পীবদি ঙমদে। মদুগী মহুত্তা খরা তাথবা পোষ্ট হায়বদি বি গ্রেদ, সী গ্রেদ পীবগী খুদোংচাবদি লৈ। অদুমকপু কেবিনেটনা য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটি, চাঞ্চেল্লরদা এ-গ্রেদতা অদুমক লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী মীওই অমদা থবক পীনবা তকশিন্নবা লেপ্লখি হায়রি।

প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিনবু থাসিগী ২৫গী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস দি ও, এস ইবোমচা, এম পি এসনা থিজিল্লি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেনিয়র এস পি, এন কাইলুন, আই পি এসকী চেরোল অমনা ফোঙদোরকখি।

হৌজিক ফাওবদা কেস অসিগা মরী লৈননা মীওই ১৩ ফারে। মখোয় ১৩মক লাক্লিবা জুন ২ ফাওবগী ওইনা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌরে। ৱা হংবগী থবক কন্না চত্থরি হায়রি। কেস অসি থিজিন হুমজিনবগী থবক্তা সেনিয়র এস পি মশানসু হকথেংননা সুপরভাইজ তৌরি হায়না চেরোল অদুনা হায়খি।

নাকল অমরোমদা, এম য়ুগী প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন হাৎখিবগা মরী লৈননা য়ুনিভর্সিটি অসিগী বোইজ হোষ্টেলদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মহৈরোয়শিং অৱাবা পীবতা নত্তনা ফাবা পূনবা তৌই হায়রদুনা থৌওং অদুগী মায়োক্তা ঙসি নুংথিল য়ুনিভর্সিটিগী বোইজ হোষ্টেলগী মহৈরোয়৩০/৪০ রোম হোষ্টেল থাদোক্তুনা চৎনখি। মহৈরোয়শিংনা হোষ্টেল থাদোকত্রিঙৈগী মমাঙদা হোষ্টেল নম্বর ৱানগী ষ্টুদেন্টস কনফরেন্স হোলদা এম য়ুগী ভি সী, রেজিষ্ট্রার, দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফ্যের, ৱার্দেন ৩ য়াওনা মহৈরোয়শিংগা ৱারী শানখি। মদুদা মহৈরোয়শিংবু এম য়ুনা মখোয়গী প্রোটেক্সন পীবা ঙমদে হায়রদুনা হোষ্টেল ভেকেট তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

মীফম অদুদা মহৈরোয়শিংনা প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন্না লৈখিদবদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

মে ২৭ : এম য়ুগী প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন মীহাৎকী মতুং তারকপদা পুলিসনা ফাজিনখিবা মহৈরোয়শিং অদু অথুবদা থাদোক্তবা তারবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না ফোঙদোকখি। ঙসি এমসু হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এমসুগী সেক্রেটরি জেনরেল আলিমগিরনা হায়খি, মীহাৎ অসিগী মতাংদা পুলিসনা পরিক্ষা থারুরগা হল্লকপা মহৈরোয় অমসুং মহৈরোয় লূপশিংগী লীদরশিং ফাজিনখিবা অসি য়ানীংদে, অথুবা মতমদা থাদোক্কদবনি হায়খি।

হৌখিবা মে ২৫দা এমসুনা পাঙথোকপা ষ্টুদেন্টস য়ুথ লীদরসিপ কেম্প তৌফম মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদগী হান্নগী বিষ্ণুপুর এমসুগী এক্স প্রসিদেন্ট বিনয়, হৌজিক সেক্রেটরি ওইরিবা দিনেস অমসুং মেম্বর রোবিন্দ্রো অহুম পুলিসনা ফাজিনখি। মহৈরোয় লুচিংবা ফাবা লাকপদা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা ফূবা-চৈবা কয়া তৌরম্বা অসি এমসুনা তরাইনা লৌদে হায়রদুনা মহৈরোয়শিং ফাজিনবনা ঈরাং চাউথোরক্নবগী মরম ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। হৌজিক ফাওবদা পুলিসনা ফাজিনখিবা মহৈরোয়শিং পুং ২৪ ফাওবগী মনুংদা থাদোরক্তবা তারবদি এমসুনা মথং নুমিত্তগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। অহানবা খোঙজং ওইনা মহৈরোয়শিংনা পাকশন্না সিট ইন প্রোটেষ্ট, অনীশুবদা মহৈরোয়শিংনা ব্লেক বেজ থেৎপা, ফিরাল চিংখৎপা অমসুং মসি ফাওবগী মনুংদা থাদোরক্তবা তারবদি লৈঙাক্কী ওফিস থোঙ লোনশিনবা অমসুং গাড়ীশিং অমাঙ-অতা থোকহনবনচিংবশিং তৌগনি হায়খি।

মে ২৭, ২০০৯ :- হৌখিবা তাং ২৫দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসমক্তদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী হান্নগী দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফ্যের প্রোফেসর মুহম্মদ ইস্লামুদ্দিনবু য়াম্না তমথীবা মওংদা মীহাৎ থীনা হাত্তোকপীরবা মতুংদা শেমজিন শাজিনবা মরাল কয়া পীশিন্দুনা মীয়াম মমাঙদা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অসিমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না অঙকপা পোকই। লোয়ননা প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন মরাল লৈতে হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরবা ৱাফমনি অমদি লালহৌলূপ কে ৱাই কে এলনা এমযুদা লৈরিবা ক্লিক হায়রিবা অসিবুনা করিনো হায়বসি মহৈরোয়শিং, ওজাশিং অমদি লৈবাক মীয়াম্না ময়েক শেংনা নৈনফম থোকই হায়না মুসুগী চেরোল অমনা ফোঙদোকখি।

মে ২৮, ২০০৯ :- আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ কে ৱাই কে এলনা থা অসিগী ২৫দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর এম দি ইস্লমুদ্দিনবু এম য়ু কেম্পস মনুংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখিবা প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিনগী হকচাং নহানমখে লৌদনা লাকখিবা অদু ঙরাং য়ানবা পুরকপদগী ঙসি হকচাং লৌখি। প্রোফেসরগী হকচাং অদু মীয়ামগী রেল্লি অমগা লোয়ননা এমসু কেম্পস মনুংদা পুশিন্দুনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্নখি।

ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তাবদগী হৌদুনা লৈখিদ্রবা প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিনগী হকচাং অদু টাটা ত্রক অমদা হাপ্তুনা এম য়ুগী ম্যেন গেটলোমদগী হৌদুনা মীয়ামগী ওইবা রেল্লি অমা চৎপা হৌখি। রেল্লি অদুনা ম্যেন গেটতগী হৌরগা লাইব্রেরিরোমদা লাকখি। অদুগা মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট ষ্টদিজ (এম আই এম এস) গী ব্লোক লোমদা লাক্তুনা প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিনগী দিপার্টমেন্ট ওইরিবা ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টলোমদা লাকখি। ইকনমিক্স দিপার্টমেন্ট মপাদা ঙাইহাক লেপ্তুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী ওজা অমদি মহৈরোয় খরনা লৈ-শু কৎনখি। তুংদা এম য়ুগী ষ্টুদেন্টস হোম তাবা মায়কৈরোমদা লাক্তুনা হোম মপাদসু ঙাইহাক অমুক লেপ্তুনা মুসুগী মীহুৎশিংনা লৈ-শু কৎখি।

মখা তানা রেল্লি অদু খা থংবা মায়কৈরোমদা লৈবা প্রোফেসর অসিগী ক্বার্টর অমসুং এমযুগী লেদিজ হোষ্টেল লৈরিবা মায়কৈরোমদা লাকখি। প্রোফেসর অসিগী ক্বার্টর মনাক্তা লৈবা কম্যুনিতি হোল অমদা হকচাং অদু পুশিন্দুনা মীয়াম্না লৈ-শু কৎনখি। মদুদা ৱাংখেম এ সীগী এম এল এ মেঘচন্দ্র, মোইরাং এ সীগী এম এল এ পৃথিবীরাজনচিংবসু লৈ কৎপা য়াওখি। লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা) গী মেম্বরশিং, এম য়ুগী দিপার্টমেন্টশিংগী প্রোফেসরশিং, মুসুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট, ইমুং-মনুং, মরী-মতা অমদি অতৈ মীওইশিংনা লৈ-শু কৎনখি।

মীওই লিশীং অনীরোম্না শরুক য়াদুনা এম য়ু কেম্পস মনুংদা চৎখিবা রেল্লি অদুদা কে ৱাই কে এল হ্যুমেন ভেল্যু খঙদবা ওর্গনাইজেসননি, গন কলচরনা মালেমদা অচুম্বা অমত্তা পুরক্ত্রি, ওজা গুরুদা খূৎ থাবদি মমা-মপাদা খূৎ থাবনি, মুসলিমনা লৌরিবা থৌদাং কে ৱাই কে এলনা খঙগদবনি, য়ু জিগী রুল্লিং মরম চাদে হায়বনচিংবা থাবা প্লে কার্দ কয়া পায়খি।

মীয়াম্না প্রোফেসর ইস্লগামুদ্দিনগী মফমদা লৈ-শু কৎপা লোইরবা মতুং মহাক্কী হকচাং অদু লৈরোল চন্নবগীদমক ময়ূম লমদম য়াইরিপোক তম্না পুখি।